**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 24-06-2024)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) সেক্যুরতি ফোর্সনা চুরাচান্দপুর, ককচিং অমদি কাংপোকপীদগী খুৎশু খুৎলায় কয়া ফাগৎলে।

২) মণিপুর অমসুং সিক্কিমদা হন্দক থোকখিবা ঈচাউগী অকুপ্পা রিপোর্ট গৃহ মন্ত্রালয়দা পীখৎলকবা খঙহনখ্রে।

অমসুং

৩) ১৮ শুবা লোক সভাগী অহানবা মীফম ঙসিদগী হৌরগনি। সদস্যশিং ৱাশক লৌরগনি।

------

পুলিস (এল)ঃ রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা জিলাশিংদা সেক্যুরিতি ফোর্সকী অপুনবা কাংবুনা থিবা হুম্বগী থবক লেপ্তুনা চখুরি।

পুলিসকী পাউনা হায়- ককচিং জিলাগী খোইদুম মমাং লৈকাইদা থিবা হুম্বগী থবক চখুবদা কন্ত্রি মেদ পিষ্টোল অমা, দিতোনেতর য়াওদবা থার্তিসিক্স এম.এম-কে.আই হেন্দগ্রেনেদ ৪, চাইনিজ হেন্দগ্রেনেদ অমা, ট্যুব লোঞ্চিং মঙা, কাপ্পা য়ারিবা মরু ১০ গা লোয়নবা করবাইন অমা, স্মোক গ্রেনেদ ৮, বাউফেং ৱায়ারলেস সেট অমা ফংবা ঙমখি।

অমরোমদা, কাংপোকপী জিলাগী ওল্ড বজারদগী মেগজিন য়াওবা এম.এ-থ্রি এম.কে-টু এসোল্ট রাইফল অমা, সভেন পোইন্ট সিক্স টু এম.এম সেল্ফ লোদেদ রাইফল অমা, কাপ্পা য়ারিবা নোংমৈ মরু ১০, সিঙ্গল বেরেল

রাইফল অমা, ইমপ্রোভাইস পম্পি অমা, এম্মুনিসন পাউচ অমা য়াওনা তোঙান তোঙানবা পোৎলম কয়া ফংবা ঙমখি হায়রি। মফম অদুদা লৈরম্বা বঙ্কর অমসু সেক্যুরিতি ফোর্সকী কাংবুনা শিদোক্লমখি হায়রি। চুরাচান্দপুর জিলাগী কাংভাই খুলদগী পম্পি অনিসু ফাগৎপা ঙমখি হায়না পুলিসকী পাউনা মখা তারি।

নেসনেল হাইৱে থার্তিসভেন ইম্ফাল-জিরিবাম অমসুং নেসনেল হাইৱে টু ইম্ফাল-দিমাপুর লম্বীদা নোংমদা চংদবা য়াদ্রবা পোৎ চৈশিং পুবা গাড়ি ৫৫০ রোম সেক্যুরিতিগী অকনবা চেকশিন থৌরাং মরক্তা ইম্ফাল য়ৌরকখ্রে হায়রি। লম্বী অনি অসিগী ইরাং থোকপা য়াবা মফমশিংদা সেক্যুরিতিগী অকনবা চেকশিন থৌরাং লেপ্তুনা লৌখৎলি হায়রি।

ৱিদো (এল)ঃ ৱিদোজ এন্দ ওর্ফান রিছোর্স দিভলপমেন্ট ট্রষ্ট ঘরি অৱাং লৈকাই ইম্ফালগী থৌশিল মখাদা খোংজোম পাপাল মৈরাপায়বী লুপনা শিন্দুনা থৌবাল জিলাগী খোংজোম পাপাল লাইবুং কম্যুনিতি হোলদা লুখ্রাবীশিংদা চেং য়েন্থোকপগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদু মখোয়সু হিংহনশি হায়বা ৱাখল্লোনগী মখাদা পাঙথোকপনি।

ডে (এল)ঃ তমেংলোং জিলাদা মালেমগী লুখ্রাবীশিংগী নুমিৎ, ২০২৪ অমসুং ভেকেসন বাইবল স্কুল (ভি.বি.এস) ঙরাং তমেংলোং বেপটিষ্ট চর্চতা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা লুখ্রাবীশিংগীদমক অখন্নবা লাইশোল সভা পাঙথোকখি অমসুং ভি.বি.এসকী মহৈরোইশিংনা তোঙান তোঙানবা থৌরম কয়া উৎখি।

নোনে জিলাদসু নুমিৎ ৭ নি চুপা চথুরকপা ভেকেসন বাইবল স্কুল ঙরাং লোইশিনখ্রে। লোংমাই পার্ট ফোর বেপটিষ্ট চর্চ নোনেনা শিন্দুনা লোংমাই পার্ট ফোর পিছ লেন্দদা পাঙথোকখিবা ভি.বি.এস অদুদা মহৈরোহ ২২০ হেনবনা শরুক য়াখি।

অমরোমদা, হন্দক ক্লাস টেন অমসুং ক্লাস তুয়েল্ব পাস তৌরক্লবা

মহৈরোইশিং তরামা ওকপা অমসুং মখোয়বু পুকিং থৌগৎপগী থৌরম অমসু লোংমাই পার্ট ৱান বেপটিষ্ট চর্চতা পাঙথোকখি। থৌরম অদু লোংমাই চর্চেস ফেলোসিপ অমসুং লোংমাই ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন্না পুন্না শিনবনি।

এৱার্দ (এল)ঃ রিজনেল পাসপোর্ট ওফিস গুৱাহাতিদা পাসপোর্ট সেবা পুরুস্কার পীরক্লে। মনা অসি নিউ দিল্লিদা পাঙথোকপা চহিগী ওইবা রিজনেল পাসপোর্ট ওফিসারশিংগী মীফমদা পীরকপনি। মনা অসি রিজনেল পাসপোর্ট ওফিসার চেরাপুং জেলিয়াংদা কেন্দ্রগী মপান থৌরম রাজ্য মন্ত্রি কৃতি বরধন সিংহনা খুৎশিন্নরকপনি। রিজনেল পাসপোর্ট ওফিস গুৱাহাতি অসিদা অসাম, অরুনাচল প্রদেশ, মণিপুর, মেঘালয়, মিজোরম অমসুং নাগালেন্দ কোনশিল্লি।

সাহ ঃ মণিপুর অমসুং সিক্কিমদা হন্দক থোকখিবা ঈচাউগী অকুপ্পা রিপোর্ট পীখৎলকবা গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহনা মরী লৈনবা বিভাগশিংদা খঙহনখ্রে। ৱাফম অসি ঈচাউ থেংননবা শেম শাবগী মতাংদা ঙরাং নিউ দিল্লিদা পাঙথোকপা অৱাংবা থাক্কী মীফমদা শ্রী অমিত সাহনা খঙহনখিবনি। মীফম অদুদা তুং কোইনা চৎকদবা থৌরাংশিংগী মতাংদসু শ্রী অমিত সাহনা হন্না য়েংশিনখি। মহাকা হায়- প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী লীচিং মখাদা লৈবাক অসিগী দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট খুমাং চাওশিন্না চংশিল্লি। মহাকা হায়- অৱাং নোংপোক রাজ্যশিংদা য়ামদ্রবদা অচৌবা পুখ্রি ৫০ শেমদুনা থম্বগী তঙাইফদবা লৈ। মসিনা লৌউ শিংউগী থবকশিং অমসুং তুরিজমদা কান্নবা পীবা ঙমগনি।

অমরোমদা, নেসনেল দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট ওথোরিতিনা মতম মতমগী ওইনা পীবা চৎন-কাংলোনশিং লৈবাক অসিগী য়ুনিয়ন তেরিতোরি অমদি রাজ্যশিংনা মতম চানা চৎনহনগদবনি হায়নসু গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহনা আপীল তৌখি।

সংসদ ঃ ১৮ শুবা লোক সভাগী অহানবা মীফম ঙসিদগী হৌরগনি। মীফম অসিদা নৌনা সদস্য ওইনা কারক্লবশিং ৱাশক লৌগনি। প্রোটেম স্পিকর ওইনা

হাপ্লবা বি.জে.পিগী সেনিয়র এম.পি- ভরত্রুহরি মহাতবনা নৌনা সদস্য ওইরক্লবশিং অসিবু ৱাশক লৌগনি। অনৌবা লোক সভাগী অধ্যক্ষ থা অসিগী ২৬ তা খনগনি। রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুনা থা অসিগী ২৭ তা লোক সভা অমসুং রাজ্য সভাগী অপুনবা মীফমদা ৱা ঙাংগনি। রাজ্য সভাগী মীফমা থা অসিগী ২৭ তগী হৌগনি। সংসদকী মীফম অসি মথং থাগী ৩ দা লোহশিনগনি।

নিট ঃ নিট য়ু.জি. একজামিনেসনগী পেপর লিক ওইখিবা অদু ঝারখন্দগী হজারিবাগতগী য়ামা হৈ শিংবা গেং খুৎপু অমনা থোকহনখিবনি হায়না বিহার পুলিসকী ইকোনোমিক ওফেন্স য়ুনিত (ই.ও.য়ু)না হায়রি।

ৱাথোক অসিগা মরী লৈননা শেমখিবা এস.আই.টিনা গেং খুৎপু অদুগী মীওই ১৩ ফাগৎপা ঙমলে হায়নসু ইকোনোমিক ওফেন্স য়ুনিতনা মখা তারি। য়ুনিত অসিগী চেরোল অমনা হায়- ঝারখন্দগী হজারিবাগতা লৈবা একজাম সেন্তরদা চৎনগদবা এস.ও.পি নিংথিনা ইনখিদবনা ক্বেসন পেপর লিক ওইরকখিবনি। এস.আই.টি অদুগী রিপোর্ট মতুংহন্না একজাম অদু তৌগদবা নোংম ৱাৎলিঙৈদা পাটনাদা থুংখিবা ক্বেসন পেপর অদু হজারিবাগতা লৈবা ওসিস স্কুলদা থুংগদবনি। নিট একজাম থাখিবা মহৈরোই ১৫ গী মথক্তসু কেস অসিগা মরী লৈননা এস.আই.টি অদুনা ৱাহং পাউহং চথখি। মখা তানা থিজিন্নবগীদমক সি.বি.আইদা শিন্নখ্রে হায়নসু ই.ও.য়ুনা মখা তারি।

কেস অসি সি.বি.আইদা শিন্নখ্রবা মতুং এজেন্সি অসিনা এফ.আই.আর অমা পানদুনা থিজিনবা হৌখ্রে। স্পেসিয়েল টিমশিং শেমদুনা পাটনা অমদি গোদ্রাদা থাদুনা মখা তানা থিজিল্লগনি হায়রি।

টি-২০ ঃ আই.সি.সি মেন্স টি-ট্বেন্তি ৱার্ল্ড কপকী সুপর আইট ষ্টেজগী ভারতকী অহুমসুবা মেটচ ওইনা ঙসি ওষ্ট্রেলিয়াগা থেংনরগনি। মেটচ অসি দরেন সেমি ক্রিকেট গ্রাউন্দদা ঙসি নুমিদাং পুং ৮ দা শান্নগনি। ঙরাং শান্নখিবা সুপর আইট ষ্টেজগী অতোপ্পা মেটচ অমদা ইংলেন্দনা য়ুন্থু আমেরিকাবু ৱিকেট ১০ দা মায়থিবা পীখি। আফগানিস্তান্না ওষ্ট্রেলিয়াবু রন ২১ দা মায়থিবা পীখি।

হৌজিক ৱেষ্ট ইন্দিজ অমদি সাউথ আফ্রিকা শান্নরি।

ফুটবোল (এল)ঃ অহানবা অৱাং কৌব্রু ওপন ফুটবোল তুরনামেন্টকী ৱিন্নর এন.ৱাই.সি নিলাকুথিনা ওইরে। ঙরাং শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা এন.ৱাই.সিনা মার্জিং এফ.সি হৈঙাংবু পাঞ্জল ২-১ দা থোইখিবনি।

ফুটবোল (এল)ঃ অহানবা রাজ্য থাক্কী লাইরেঞ্জম সনাতোন্বী নাওচা লৈমা মেমোরিয়েল ফুটবোল তুরনামেন্টকী ঙরাং শান্নখিবা মেটচতা কে.এন.কে কৈবুলনা য়াদা-বি কাংশোইবীবু পাঞ্জল ৩-২ থোইদুনা ফাইনেল চংলে।

---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

সনালৈবাক্কী অহানবা হেদলাইন অসি মণিপুর থুগাইরগা য়ুনিয়ন তেরিতোরি শেমবা দিমান্দ তৌরিবা কুকি এম.এল.এ অমগী অরোনবা থৌরাং হায়না সব-হেদলাইন পীরগা মেন হেদলাইনদা কিমনিও হংসিং এম.এল.এ ওইদ্রিঙৈদা কে.এন.ওগী ৱিমেন এন্দ চাইল্ড সেক্রেটরি ওইরম্লে হায়না মেন হেদলাইন পীরি।

নহারোলগী থৌদাং পাউচেগী অহানবা হেদলাইন অসি কুকিশিংগী খৃষ্টান কন্ত্রি অমা শেমবা হোৎনবদা কুকি-জো কাউন্সিলনা ৱার্ল্ড ফোরম ফোরম ফোর দেমোক্রেসিদা য়াওননবা ভারতকী প্রসিদেন্টতা অইবা চেরোল পীশিল্লম্লে হায়না বেন্নর হেদলাইন পীদুনা ফোংলি।

থাউ অমসুং গ্যাস পুবা গাড়ি ৩২৪ থুংলরে, গাড়ি থিল্লকপদা য়াওরকপা রোংমৈশিং খুন্বোং বজারদা মীয়ামা ওকখ্রে হায়বা হেদলাইন অসি পোকফম পাউচেগী অহানবা হেদলাইননি।

ইম্ফাল ইষ্টতা নোংমৈ কাপখ্রে, জিরিবামদা লৈবা মৈতৈগী য়ুমদা বোম পোকখায়হনখ্রে হায়বা হেদলাহন অসিনা পিপল ক্রোনিকলগী অহানবা হেদলাইননি।

পাউ অসি হুইয়েন লানপাউদা জিরিবামদা মণিপুর লৈঙাকা লৌখৎপা সেক্যুরিতি চেকশিন থৌরাং পোলাং শারল্লে হায়না হেদলাইন পীদুনা ফোংলি।

চীফ মিনিষ্টর বিরেনগী দিল্লি খোঙচৎ য়ৈথোকখ্রে হায়বা হেদলাইন অসি ইম্ফাল ফ্রি প্রেসকী অহানবা হেদলাইননি।

পাউ অসি মণিপুর নিউজদা চীফ মিনিষ্টর এন. বিরেন ইম্ফালদা হল্লকখ্রে, অমিত সাহনা মণিপুরগী ঈচাউ অমসুং রিলিফ মিজরগী মতাংদা রিভিউ তৌখিবগীদমক সি.এমনা থাগৎপা ফোংদোকখ্রে হায়না হেদলাইন পীদুনা ফোংলি।

সেক্যুরিতিশিং থমজিল্লকপগী মায়োক্তা মীয়ামা য়ানিংদবা ফোংদোকখ্রে হায়বা হেদলাইন অসিনা মণিপুর মেলগী অহানবা হেদলাইননি। পাউ অসি তমেংলোং টাইমসতসু অহানবা হেদলাইন পীদুনা ফোংলি।

১৮ শুবা লোক সভাগী অহানবা মীফম ঙসিদগী হৌরগনি, প্রাইম মিনিষ্টর য়াওনা এম.পি ২৮০ ৱাশক লৌগনি, এম.পি ২৬৪ না হয়েং ৱাশক লৌগনি হায়বা হেদলাইন অসিনা ঈচেল এক্সপ্রেসকী অহানবা হেদলাইননি।

মফম কয়া খোঙজং চংশিনখ্রে, ৱারেপশিং লৌখ্রে, লান হৌরকপা কুকিশিংগী মথক্তা এক্সন লৌখৎলু, সেন্ট্রেল ফোর্সশিং কান্নদ্রে, মণিপুরদগী হনখ্রো হায়বা হেদলাইন অসি শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী ইদিসনগী অহানবা হেদলাইননি। পাউ অসি শঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস ইদিসনদসু অহানবা হেদলাইন পীদুনা ফোংলি।

এস.দি.এস.এনা সেনাপতি জিলাদগী কুকি জো তাবা মফমশিংদা তঙাইফদনা চংদবা য়াদ্রবা পোৎলমশিং পীবদা অথিংবা থমখ্রে হায়বা হেদলাইন অসিনা হিলস হোর্নবিল এক্সপ্রেসকী অহানবা হেদলাইননি।

পাউ অসি তমেংলোংদা ফোংবা গানফিউ মেলগীসু অহানবা হেদলাইন ওইরি। তমেংলোং টাইমসকীনা অনিসুবা হেদলাইন ওইরি।

--গোরানি--